### ৩লক শুবা মাষ্টর বোইজ এন্দ গর্লস বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ

# মাষ্টর বোইজগী কেজি ৪০ গী কেটগরিদা অঙোম, ফজবা, সাংমৈ খায়ি, নৈখুপরেং মায় পাকখ্রে



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচ এন এস):** মণিপুর এম্যেচর বোক্সিং এসোসিএসন (মাবা) না শিন্দুনা ঙরাংদগী হৌরগা খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা হৌদোকখিবা ৩লক শুবা মাষ্টর বোইজ এন্দ গর্লস বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী ওইনা ঙসি তোঙান তোঙানবা ৱেথ কেটগরিশিংগী ওইনা কুমজা ২০১২-১৩ ফাওবগী মনুংদা পোকপা শান্নরোয়শিংগী থিন্নখিবা অদুগী ওইনা কেজি ৪০ গীদা অঙোম পুখ্রম্বম, ফজবা নাউরেম, সাংমৈ খায়ি অমসুং এস নৈখুপরেং কোম মায় পাকখ্রে।

কেজি ৪৬ কী ওইনা এ রাকেসনা মুনির অদাম, ন্যুটন গুরুময়ুমনা দল্লিয়ু মঙাল, ৱাই জয়সনানা এ অভিনাস, ৱাই লমজিংবনা এল সুরজ মায়থিবা পীখ্রে। নুপীগী কেজি ২৯ গীদা এ তোনদোননা ৱাই দাইনা, কেজি ৩৫ গীদা ও রেবিকানা চিথুং জেসিকা মায়থিবা পীখ্রে।

নুপীগী কেজি ৪০ গীদা সিলকা নামৈরাকপমনা এম সোনিয়া, কে ঐচ তানিয়ানা জেনিত চান্দম; কেজি ৪৬ কীদা পরিনা ওইনামনা লাম্থিং রেঙম; কেজি ৫২ গীদা ৱাই থোইবীনা এস মেনেকা থোইখ্রে।

মাষ্টর বোইজগী কেজি ২৫ গীদা এস থৌঙম্বনা এ লানঙম্বা, দল্লিয়ু থোইহেননা এন জি তোমনাও; কে জি ২৭ কীদা ঐচ লভিংসননা কে ঐচ সনাতোম্বা, এল কর্নভক্তনা আই এলেক্স, লনচেনবনা সী ঐচ মলেমঙানবা, দেনিয়েল থৌদামনা কে ঐচ বিশান্তা; কেজি ২৯ গীদা এন য়োহেনবনা দল্লিয়ু অনন্দ, ঐচ হেম্থোইনা এস লমঙানবা মায়থিবা পীখ্রে।

কেজি ৩১ গীদা এল ভিবেকনা থৌঙম্বা, ফভাইমি কশেনহুংনা কে ঐচ লমঙানবা; কেজি ৩৩ গীদা পারৈহনবনা ঈ লনচেনবা য়াইফবা সনাবমনা বুলহান থোইখ্রে।

মাষ্টর বোইজগী কেজি ৩৩ গীদা ৱাই লম্থোইবনা বরুন লৈতাম্থেম, চুংখুপথাং কোমনা এস য়াইফবা; কেজি ৩৭ গীদা এস মালেমনা কে তোমথিনঙানবা, অজর বুয়াময়ুমনা এম দি অসলম; কেজি ৪৩ গী কাংলুপ্তা এস ঐচ মনিমতুমনা টি ঐচ সাহিল, আই বিস্বাসনা নোংপোকঙানবা; কেজি ৪৯ গীদা দল্লিয়ু মহেশনা এস শিম্থোইবা, এল পুন্সিবনা কে রোবর্টপু থোইখ্রে।

কেজি ৫২ গীদা এস ঐচ দিপসননা দল্লিয়ু থৌজান, মার্টিন খুন্দ্রাকপমনা কে ঐচ কেনন; কেজি ৫৫ গীদা বি মুষ্টাকনা সী ঐচ তোমথিন, নেলসন খুন্দ্রাকপমনা এল লিলমনি মায়থিবা পীখ্রে।

অমরোমদা মাষ্টর বোইজগী ওইনা ঙসি থিন্নখিবা কেজি ৪৩ গীদা এস তরুননা এস ঐচ চীংখৈঙানবা, এস তরুনজিৎনা কে ঐচ স্পেন; কেজি ৩৩ গীদা এল এলেক্সনা এ টেক্নিক অদুগা য়াইফবা সনাবমনা বুলহনবু মায়থিবা পীরল্লগা মথংগী রাউন্দ চঙবা ঙমখ্রে।

## কে এ এস সীনা এস য়ু থোইখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচ এন এস):** মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শিন্দুনা হৌজিক হৌজিক চথরিবা ৩ লকশুবা এম এন সী এ অন্দর-১৪ বোইজ টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪ গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা কে এ এস সী খোমিদোকনা এস য়ু শগোলবন্দ মায়থিবা পীখ্রে।

পি টি আর সী গ্রাউন্দ পাৎশোই পার্ট ৪দা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস কে এ এস সীনা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌনবা খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা কে এ এস সীনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা ওভর ২৭.৫ তা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১৭০ লৌবা ঙমখি।

এস য়ু বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ২৭.৪ দা ৱিকেট ১০ তুরগা রন ১২২ দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু কে এ এস সীনা রন ৪৮ দা মায় পাকখিবনি।

অমরোমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা কোংবা খুনৌ ধোবী লম্পাক্তা শেদো থাংমৈবন্দ অমসুং এন সী এ নম্বোলগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা শেদো থাংমৈবন্দনা এন সী এ নম্বোলবু য়াম্না লাকচনা রন ১০৯দা মায়থিপা পীখ্রে।

### অনীশুবা এম এন সী এ মেন্স অন্দর-১৯ টুর্নামেন্ট

# অল-অমিন, সাইক্লোন, পি সী সী, এ কে এস দি ও মায় পাকখ্রে







**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচ এন এস):** মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা তোঙান-তোঙানবা মফমদা চথরিবা অনীরকশুবা এম এন সী এ মেন্স অন্দর-১৯ টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদাঅল-অমিন লিলোংনা শেদো থাংমৈবন্দ, সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ৱাই য়ু সী সী ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেল, পি সী সী ময়ায়কোইবীনা ৱাই পি ঐচ য়ু সী ললাম্বুং মখোঙ অদুগা এ কে এস দি ও খাঙবোকনা রুল মৈত্রম মায়থিবা পীখ্রে।

মোদেল হায়র সেকেন্দরি এন্দ ওরিয়েন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা অল-অমিন অমসুং শেদোগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস অল-অমিননা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌনবা খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা অল-অমিননা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা অল-অমিন লিলোংনা ওভর ৩২.৫তা ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ১৩৭ লৌবা ঙমখি।

শেদোনা টার্গেট রন ১৩৮ লৌবা ঙম্নবা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা ওভর ২৩ শুরকপদা টিম অদুগী ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১১০ দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু অল-অমিননা রন ২৭ তা থোইখিবনি।

লাইরেঞ্জম পব্লিক গ্রাউন্দদা সাইক্লোন অমসুং ৱাই য়ু সী সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ৱাই য়ু সী সীনা টোস ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌনবা খনখি।

অহানবা ইন্নিংসতা ৱাই য়ু সী সীনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা ওভর ২০.২ শুরকপদা টিম অসিগী ৱিকেট ১০ মক তুরগা শুপ্নতগী রন ৭২ খক্তমক লৌবা ঙমখি। অমরোমদা সাইক্লোননা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অসিগী বেটসমেনশিংনা চাংচত্তা মায়োক্নরিবা টিমগী বোল্লরশিংনা চথরকখিবা এটেকশিং মায়োক য়াবা ঙমখিবদগী ওভর ১৪.৩ খক্তা ঙাইরিঙৈদা ৱিকেট ৩ তুরগা টার্গেট ৭৩ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ৱিকেট ৭ তা থোইখিবনি।

মোইজিং পব্লিক গ্রাউন্দ থৌবালদা ৱাই পি ঐচ য়ু সী অমসুং পি সী সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস ৱাই পি ঐচ য়ু সীনা ঙমদুনা হান্না ট্রিং তৌদুনা শান্নখি। ৱাই পি ঐচ য়ু সীনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ১৭.৫ শুরকপদা ৱিকেট ১০ তুরগা শুপ্নতগী রন ৭৬ খক্তমক লৌবা ঙমখি।

অমরোমদা পি সী সীনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অসিগী বেটসমেনশিংনা হৈনা শিংনা শান্নবা ঙমদুনা ওভর ৮.১ খক্তা ঙাইরিঙৈদা ৱিকেট ২ তুরগা টার্গেট রন ৭৭ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু পি সী সীনা ৱিকেট ৮ দা থোইখিবনি।

পব্লিক গ্রাউন্দ, খাঙবোক পার্ট৩ চেরাপুরদা এ কে এস দি ও অমসুং রুলগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস রুলনা ঙমদুনা হান্না বোল্লিং তৌনবা খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা এ কে এস দি ওনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা ওভর ৩৯.৩ শুরকপদা ৱিকেট ১০ তুরগা রন ২০৮ লৌবা ঙমখি। রুলনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ২৬.৫ তা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ৬৭ দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু এ কে এস দি ওনা রন ১৪১ দা থোইখিবনি।

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু)

## ‘মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম’

**অমুক্তা ঙাইবীখো হরাওবগী মতম ৱাৎলি**
**(৪৩১)**

ওনরেবল য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা মণিপুরগী বোর্দর ফেন্সিং অথুবদা খারগনি অদুগা ফ্রি মুভমেন্ট রেজিম লৈহল্লরোই হায়রকপসি অফবা খোঙথাং অমনি হায়জনিংই। অদুবু মসিদা ঐখোয়না য়াম্না হরাওরুবসু য়াদ্রি অদুগা লান অসি লোয়শিল্লগনি হায়বসু নত্রি। মরমদি ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর ফেন্সিং খাবা হায়বসি অরায়বা থবক নত্তে। ঙমদদুনা তোকখিবসু য়ারি, মতম য়াম্না চংখিগনি। ফেন্সিংসু তপ্না তপ্না খাগে, লানসু লেপ্তুনা সুম তৌসনু হায়বগী মওংনি। থা ১০ শুজিল্লক্কদৌরে ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিং, মখোয়গী মতৌ য়েংবা ঙমদ্রে। ঐখোয়না পামজৈ, লান অসি খুদক্তা লোয়শিনবা, ইন্দিয়া লৈঙাক্কা কুকি মিলিটেন্টশিংগা অরোনবা এজেন্দা কয়া অমা লৈরগসু মদুগী শাফু অদু মীতৈ ঐখোয়দা ফংহনবসে অরানবা ওইগনি। ঐখোয়দি কনাদসু লানখিদে। আর এস এস অমদি বি জে পিনা মীতৈ ঐখোয়দা য়েংলিবা মীৎয়েং অসি অঙকপনি। শহিং চাবা ফিজেৎ চাকচাসু তিন্নদবা কাংবুশিংনা উরিক লুগুন শিরগা চন্দন থিঞ্জিনবা কাংবু ঐখোয়দা লান দাশিনবদা ঐখোয়বু কনবীগদ্রা, ঐখোয়গী ৱা তবীগদ্রা হায়না সেন্টরদা চেনশিল্লুবদা খোঙপাক্লা কাউদুনা তাল্লকপগা চপ মান্নবসিদি অঙকপা পোকই। পার্টি অসি অকিবগী মশক ওইরে হায়নিংই। মরমদি নার্কো টেররিষ্ট খরনা লো কায়না চংলক্লগা মখোয়গী ওইবা টেরিটরি অমা পীয়ু হায়বসিবু করম্বা লোনা য়াগদৌরিবনো? মালেমগী লো কয়ানা য়ারগসু মীতৈ ঐখোয়না লৈরিবা ফাওবদি শুকয়া য়ারোই হায়বসি খঙজিনবিয়ু অমিতজি। অরোয়বা ওইনা হায়জনিংবদি ঐখোয় হৌজিক লানসি লোয়শিনবা পামজৈ। লান লোয়শিনবা হায়বসিদা মীতৈ মীয়াম ঐখোয়, সী এস ও খুদিংমক্লা চপ মান্নবা খোল্লাউ লাউমিন্নবা মথৌ তাই। খোল্লাউ অদুদি অহানবদা কুকি মিলিটেন্টশিংগা থম্নখিবা সূ খুদক্তা লৌথোক্লগা মখোয়বু মণিপুরদগী তাম্থোকখিবা, অনীশুবদা মণিপুরদা এন আর সী চৎনহনবা, অহুমশুবদা কুকি এম এল এ ১০ এক্সন লৌবা, মরিশুবদা বোর্দ ফেন্সিং মপুঙ ফানা খাবা, মঙাশুবদা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিংবু মশা মশাগী ময়ুমদা লৈহন্দুনা মখোয়গী মাঙখ্রবা লন-থুম চপ চানা পীবিবা হায়রিবা দিমান্দশিং অসি হন্দক ফমগদবা এসেমব্লি মীফম অসিদা পুখত্তুনা রুলিং ওপোজিসন ৱারেপ লৌহল্লগা সেন্টরদা থাবীয়ু হায়না পুন্না লাউমিন্নসি। ঐহাকসু য়াওজগে। মসি নত্তনা ঐখোয়গী পান্থে লৈতে।

অদোমগী - জিনোকুমার লাইশ্রম,
নিংথৌখোঙ, # ৬০০৯৭৮৩৬৪২

## লান্ন-থৌরম



মালেম তাইবঙপান অসিদা ঐখোয় খ্বাই পূন্নমক্কী ইরক্তা তিনবীরম্বী ডা. সাপম ওংবী লুৱাংলৈমা-না মহাক্কী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ, মচা-মশু অমদি মরুপ-মপাং পূন্নমকপু থাদোক্লল্লগা হৌখিবা চৈচৎ ০৪/০২/২০২৪ কুমজা, ৱাকচীংগী ২৪নি পানবা নোংমাইজিং নুমিত্তা তাইবঙগী শিন্থা লোইরদুনা মপূগী লৈকোন্দা হৈনম লৈনম ওইনা তিনখ্রে।

হৌখিবা চৈচৎ ০৮/০২/২০২৪ কুমজা, ৱাকচীংগী ২৮নি পানবা শগোলশেন নুমিত্তা মঙানি লৈহুন পাঙথোকখ্রে। চৈচৎ ১৪/০২/২০২৪ কুমজা, ফাইরেনগী ৫নি পানবা য়ূমশকৈশা নুমিত্তা লান্ন-থৌরম থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবীগী থৱায়না তাইবঙ মপূগী লৈকোন্দা ঈংনা চিক্লা লৈজরুনবগীদমক ঙমজবা হৈরাং-লৈরাং খরদং মপূগী মফমদা কৎচগদৌরি। থৌরম অসিদা অহল-লমন অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পূন্নমক্লা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা মপূগী মিংখৈরোল তবীরনবা চেনা লৈরাং লৈহুৎ শিন্না পাউজেল চৎচরি। চেনা লৈরাং লৈহুৎ শিন্না পাউজেঞ্জবগী লংজবা খিবিক ঙাকপীগনি।

**সেবা ফংজরিবশিং :-**

**(১) সাপম অচৌবী সিংহ (মকুবোক), (২) সাপম ওংবী বাবুনি দেবী (মনেমবোক), (৩) ৱাহেংবম ইবেলৈ লৈমা (অপোকপী মমা), (৪) সাপম মেঘবির (ভরা) সিংহ (মপুরোইবা), (৫) সলাইলেম্বী সাপম (মচানুপী), (৬) য়াইপোকপী সাপম (মচানুপী) অমদি ইমুং-মনুং,** বামোন কম্পু মখা লৈকায়, ইম্ফাল ইষ্ট।

HL-P/9586/12,13

## চহীগী দশা য়েংজরি



মপোক্কী কুঠী অমদি খুবাক ময়ি সাইন্টিফিক্ট ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি। চহিগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, পক্লবা সবজেক্ট, অৱাংবা পরিক্ষা, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, পক্লবা শিনফম, সরকারগী থবক, লল্লোন-ইতিক, শেল-থুম, য়ুম-ইংখোলগী অফ-ফত্ত, লুহোংফাল, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, ইমুং মহী লাংবা, হায়ন-তানবা য়াদবা, পক্লবা গাড়ী, লক্কি ষ্টোন, হকচাংগী নুংঙাইতবা মরমশিং য়েংজরি। হেন্না ফগৎনবা তান্নবীয়ু। ওনলাইনদসু য়েংবীবা য়াগনি। ৱাটচএপ নম্বর ৯০৭৭১৮৮৪৫৬।

Contact : **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-B/8533/8 Feb. to 9 March

